**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 14-07-2026)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৪-০৭-২০২৬, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মণিপুরদা রাজ্য থাক্কী ৱার্ল্ড পোপ্যুলেসন ডে ২০২৬ কী থৌরম ঙসি পাঙথোক্লুগনি।

২) ইন্দিয়া মেট বিভাগনা ঙসি মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী মফম খরদা নোং কন্না চুগনি হায়রি।

**অমসুং**

৩) নুমিৎ মরিনি চথুগদবা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাউবা টেক্সতাইলগী থৌরম ভারত টেক্স ২০২৬ ঙসিদগী নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপমদা হৌরগনি।

----

**ডে (এল)ঃ** মণিপুরদা রাজ্য থাক্কী ৱার্ল্ড পোপ্যুলেসন ডে ২০২৬ কী থৌরম ঙসি পাঙথোক্লুগনি। থৌরম অসি রাজ্য সরকারগী দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়র সার্ভিসেস, ষ্টেট হেলথ সোসাইতি- নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুরনা শিন্দুনা ইম্ফালগী চিংমৈরোংদা লৈবা ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোক্কনি।

পালন থৌরম অসিগী হীরমনা ‘মমা অমসুং পীক্লিবা অঙাংগী য়াইফনবগীদমক অঙাং অনিগী মরক্তা নাওরোন লাউহনবা অমসুং মতম চাদনা মীরোনবদগী ঙাকথোকপা’ হায়বসিনি। থৌরম অসিদা হকশেল বিভাগকী মখাদা লৈবা তোঙান তোঙানবা লাইন দিপার্টমেন্টশিংগী মকোক থোংবশিং শরুক য়াগনি। চহী খুদিংগী জ্লাই ১১ বু ৱার্ল্ড পোপ্যুলেসন ডে হায়না কুমজা ১৯৮৯ দগী পাঙথোক্কুনা লাক্লি। নুমিৎ অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি মালেমগী ওইনা মীশিং হেনগৎলকপগী সমস্যা মায়োকরিবা অসি খঙহনবা, ফেমিলি প্লানিং তৌবা, মমা অমসুং মচাগী হকশেলগী ফিভম ফনা থম্বা অমদি মীওইবগী হক্কী মতাংদা মীয়াম্বু হেন্না খঙহন্নবা পান্দমদা পাঙথোক্কুনা লাক্লি।

**মিট(এল)ঃ** রাজ্যগী ইনফোর্মেসন অমসুং পব্লিক রিলেসন্স বিভাগনা লেপ্তুনা চত্থরক্লিবা মিট দ প্রেস থৌরমদা ঙসি পব্লিক ৱার্কস দিপার্টমেন্ট (পি.দব্লিয়.দি) বিভাগকা উন্নবগী থৌরম পাঙথোক্কনি। ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা দি.আই.পি.আরগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকপা থৌরম অসিদা পি.দব্লিয়ু.দিগী চিফ ইঞ্জিনিয়র অমদি মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াগনি।

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা আইন কাইবা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক সেক্যুরিতি ফোর্সকী মাইকৈদগী চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুম্বা অমসুং এরিয়া দোমিনেসনগী থবকশিং মখা তানা চত্থরি।

মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমগী পাউনা হায়-কনাগুম্বা মীওই নত্রগা গ্রুপশিংনা সোসিয়েল মেদিয়া প্লেটফোর্মশিংদা মফম খঙদবা ভেরিফাইদ তৌদ্রিবা পাউশিং থাগৎপা, সেয়র তৌবা অমসুং শেংদোকপগী থবক তৌদনবা ৱাফমশিং খঙহল্লগনি। করিগুম্বদা মফম খঙদবা পাউশিং সোসিয়েল মেদিয়া প্লেটফোর্মশিংদা থেংনরবদি অচুম্বা খঙদোকবগীদমক সেন্ত্রেল কন্ত্রোল রুমগী

ফোন নম্বর 9485280419 দা ফোন তৌরকবা খঙহল্লি।

পুলিসকী পাউ অদুনা মখা তানা হায়-হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা মণিপুর পুলিসনা কানি ওইগনি চীংনবা চাউরাকা কে.জি-৪৯ মখায় রোমগী চাং ওইগদবা পেকেট ৪৯ ফারে। পোৎলমশিং অদু সেনাপতি জিলাগী সেনাপতি পুলিস স্তেসননা কোনবা নেসনেল হায়ৱে-টুগী হেনবুং বেপতিস চর্চকী মনাক নকপা এরিয়াদগী চাকা মরি পানবা গারি অমদগী ফাখিবনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা পুলিসকী মাইকৈদগী মখা তানা থিজিন হুমজিনবগী থবকশিং চথুরি।

**মৈ (এল)ঃ** যুরেম্বম সব-ষ্টেসনদগী ৱেষ্টর্ন ফিদরদা মৈ পীরিবা পাৎশোই পার্ট ফোর, শগোলতোংবা, অৱাং খুনৌ, কোন্থৌজম, খুম্বোং, ঙাইরাংবম, মোইদাংপোক, খাইদেম, হৈগ্রুজম, কামোং, অৱাং জিরি, খা জিরি, শজিরোক, কৈথেলমানবীনচিংবা মফমশিং ঙসি অয়ুক পুং ৯ দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা মৈ ফংলোই হায়রি।

**নোংঃ**ইন্দিয়া মেট বিভাগনা ঙসি মণিপুর, নাগালেন্দ, মিজোরম, ত্রিপুরা, নোংচুপ বেঙ্গল, সিক্কিম, অসাম অমসুং মেঘালয়গী মফম খরদা নোং কন্না চুগনি হায়রি। বিভাগ অসিনা হায়-বিহার অমসুং উরিষাগী মফম কয়াদসু ঙসি নোং কা হেন্না কন্না চুগনি। অন্দমান নিকোবর ইথৎ, অন্দ্র প্রদেশ, জম্মু কাশ্মির, লদাখ, বিহার, ঝরখন্দ, সিক্কিম, কর্নাতক অমসুং উরিষাগী মফম কয়াদা অখাক অরাউ য়াওনা নুংশিৎ কন্না শিৎকনি।

ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরগী পাউ মতুং ইন্না ঙসি তমেংলোং, সেনাপতি, উখ্রুল, চান্দেলগী মফম কয়াদা অখাক অরাউ য়াওনা নোং কন্না চুগনি। সেন্তর অসিনা হায়-হয়েং তমেংলোং, জিরিবাম, নোনে অমসুং ফেরজোলগী মফম কয়াদা অখাক অরাউ য়াওনা নোং কন্না চুগনি।

মরক অসিদা, অসামগী কামরুপ অমসুং কামরুপ মেত্রো পোলিতান

জিলাশিংদা হৌজিকসু ঈশিং ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরি। অসাম ষ্টেট দিজাস্তর মেনেজমেন্ট ওথোরিতিগী পাউ মতুং ইন্না ঈচাও অসিনা জিলা ৬ কী মফমশিং হৌজিকসু ঈশিং থুমজিল্লি। খুঙ্গং ৬১ অমসুং রেভিন্যু সর্কল ১০ গী মীওই লিশিং ৯,৬০০ হেন্না ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরি। গুৱাহাতি সহরগী মফম কয়া হৌজিকসু ঈশিং থুমজিনবদগী লন্বী চথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা মায়োকরি।

ত্রিপুরাগী মফম কয়াদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী ইন্দিয়া মেট বিভাগনা রাজ্য অদুগী ৱেষ্ট ত্রিপুরা, সেপাহি জালা, খ্বাই, গোমতি অমসুং সাউথ ত্রিপুরাগী মফমশিং য়াওনা জিলা অয়াম্বদা হয়েং ফাওবা নোং কা হেন্না কন্না চুগনি হায়রি। নোংনা মরম ওইদুনা মহৈরোইশিং অশোই অঙাম থোক্তনবগীদমক স্কুল ইদুকেসন বিভাগকী দাইরেক্তরনা ৱেষ্ট ত্রিপুরা অমসুং সেপাহি জালা জিলাদা লৈবা সরকারগী, এদেদ অমসুং লনাই স্কুলশিং খুদক্তগী ছুতি থাদোকখ্রে।

**ভারত টেক্সঃ** নুমিৎ মরিনি চথুগদবা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাউবা টেক্সতাইলগী থৌরম ভারত টেক্স ২০২৬ ঙসিদগী নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপমদা হৌরগনি। থৌরম অসিদা টেক্সতাইল, ফেসন, সেষ্টেনেবিলিতি, টেকোলোজি, ইনোভেসন, ইনভেষ্টমেন্ট অমসুং ইন্তরনেসনেল ত্রেদকী লমদা ভারত অসি মালেমগী লুচিংবা অমা ওইনা হৌগৎলক্লিবা অসি উৎথোকবনি। থৌরম অসিদা পোৎ পথোক্লিবশিং, লল্লোন ঈতিক তৌরিবশিং, মালেমগী ইনভেষ্টরশিং, পোলিসি মেক্করশিং, আর্তিসান অমদি ষ্টর্টঅপনচিংবা শরুক য়াগনি।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ভারত টেক্স ত্রেদ ফেদরেসনগী চেয়ারমেন- নরেন গোয়েনকানা হায়- ভারত টেক্সকী অহুমসুবা ইদিসন অসিদা টেক্সতাইলগী পোথোক লিশিং ২০ হেন্না উৎকনি। মসিদা বাইয়রস লিশিং ৭, লল্লোন ঈতিক তৌবা মীওই লাখ ১ লিশিং ৩০ রোমা শরুক য়াগনি। মহাকা হায়- লৈবাক ১৪ গী ইন্তরনেসনেল একজিবিতরশিংসু শরুক য়াগনি।

নিউ দেল্লিদা ঙসিদগী হৌগদৌরিবা ভারত টেক্স ২০২৬ অসিদা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিতোরিশিং শরুক য়াগনি। মণিপুরসু ভারত তেক্স অসিদা শরুক য়াদুনা লমদম অসিদা পুথোক্লিবা টেক্সতাইলগী পোত্থোকশিং উৎকদৌরি। ভারত টেক্স অসিদা মণিপুরগী কৌনাগী পোত্থোকশিং, হোম ফরনিসিং প্রদক্ট, নিচ প্রদক্টতা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা মপাল লৈবাক্কী বাইয়রশিং পুকিং চিংশিন্নবা হোৎনগদৌরি। মণিপুরগী কৌনাগী পোত্থোকশিং হৌখিবা চহি ৪ রোমগী মমাংদগী মপান লৈবাক্তা থাদোক্কুনা রাজ্য অসিগী শেনমিৎলোন ফগৎহান্নবা রাজ্যগী হেন্দলুম অমসুং তেক্সতাইলস বিভাগনা হোৎনদুনা লাক্লি।

**ফিফা ঃ** ফিফা ৱার্ল্ড কপ-২০২৬ কী অহানবা সেমি ফাইনেলদা ঙসি নোংয়াই মতুং পুংখায় চৎপা মতমদা ফ্রান্সকা স্পেনগা দলাস ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি। ফ্রান্স কুমজা ১৯৯৮ অমসুং ২০১৮ দা ৱার্ল্ড কপ অনিরক লৌখ্রে অদুগা ২০০৬ অমসুং ২০২২ দা রন্নরসঅপ তাখি। স্পেননা ২০১০ দা ৱার্ল্ড কপ অমুরক লৌখ্রে।

অনিসুবা সেমি ফাইনেল মেটচতনা আরজেন্তিনাগা ইংলেন্দগা থা অসিগী ১৬ তা এটলান্টা ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি। আর্জেন্টিনা ১৯৭৮, ১৯৮৬ অমসুং মমাংগী চেম্পিয়ননি অদুগা ১৯৩০, ১৯৯০ অমসুং ২০১৪ দা রন্নরসঅপ তাখি। ইংলেন্দ ১৯৬৬ তা ৱার্ল্ড কপ অমুরক লৌখ্রে।

অহুমসুবা মফমগীনা জ্লাই ১৯ দা শান্নগনি। ফাইনেল মেটচনা থা অসিগী ২০ দা শান্নগনি।

# ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

নাগা ৬ হাৎপদা চেন্নবশিং ফাগৎনবা হোৎনরি হায়বা হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাসকী ৱাফম, কে.জেৎ.সিগী জোইন্ট সেক্রেটরিগী য়ুমদা কোব্রানা রেট চথখ্রে হায়বা পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মনিপুরদা ফোঙবা পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা ফোঙনরি।

পাউশিং অসি- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস এদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, হুইয়েন লানপাউ, সনালৈবাক, হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসনচিংবা পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

নাগা ৬ হাৎপদা চেন্নবশিং ফাগৎনবা হোৎনরি হায়বা হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাসকী ৱাফম- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শেল থাদরক্তবনা রিং রোদ প্রোজেক্ট তম্বা ঙমদনা লৈরে, দ্রগ পুথোক পশিন তৌবদা অঙাং অমসুং নুপীশিং শিজিন্নরি হায়বা পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরী এদিসন য়াওনা ইংলিস এদিসনদা অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

কোব্রা কমান্দোনা কুকি জো কাউন্সিলগী জোইন্ট সেক্রেটরিগী য়ুমদা ওপরেসন চথখ্রে হায়বা পাউ- পোকফম য়াওনা পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

নাগা মীচম ৬ হাৎখিবগী মায়োক্তা অচুম্বা ৱায়েল পীয়ু হায়দুনা খোঙজং চংশিনখিবগী পাউ- পিপলস ক্রোনিকল, তমেংলোং তাইমস অমদি অতৈ পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি। পাউ অসি- তোঙানবা মওংদা মণিপুর মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

করাং পি.ঐচ.সি কন্ত্রেক ডোক্তর অমা, মহুৎ শিনবা নর্সশিংনা মথৌ তৌরম্লে, নৌনা শাগৎলিবা পি.ঐচ.সি অসিগী ব্লোক ক্বালিতি মেন্তেন তৌরমদবা থেংনরে হায়বা পিপলস য়ুনাইতেদ য়ুথ এলাইন্সি (পুয়া)গী ৱাফম- নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

চুমোকেদিমাদা আই.ঈ.দি পোখাইবদা অসাম রাইফলস পর্সনেল অহুম শিরে হায়বা পাউ- গানফিউ মেলগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

লৈমখোঙ চীংমাংগী কুকিশিংনা মৈ থাখিবা য়ুমশিং শাবা হৌরগনি, জে.সি.বি শিজিন্নদুনা শেংদোকপা হৌরে, চেক হোল্লকপা হৌরে হায়বসিনা- হুইয়েন লানপাউগী হেদলাইন তৌরি।

কোনুং মমাঙগী লম্বী ফাওদুনা চৎকদবগী শরুক জিরিবামদা চৎপনা ফরে হায়বা পাউ- সনালৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন তৌরি। য়ু.এন.সিগী ইন্তর দিষ্ট্রিক্ট ইকোনোমিক ব্লোকেট শৌগৎকনি হায়বা কোকোমিগী ৱাফম- পাউচে অসিমক্কী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- মণিপুর মেলদসু অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি। হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেস, গানফিউ মেল পাউচেশিং অসিদসু অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

--**পাউ লোইজরে**--